## চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): থবক ফংদ্রিবা মীওইশিং অতেনবা মতমদা শেঙ্থোক লৈহনবা হায়বা থীমদা নুমীৎ ৫নিগী ওইবা চেঙ্গুম থাবা অমদি ফুদ প্রোসেসিংগী ট্রেনিং পাঙথোক্লগনি হায়না লাইভলিহুদ বিজিনেস ইনকুবেটর, ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোজেক্ট মেনেজর পি সুরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পোরোম্পাৎ দি আই সী কমপ্লেক্সতা লৈবা লাইভলিহুদ বিজিনেস ইনকুবেটরদা ট্রেনিং অসি পাঙথোক্কনি। চহীসিগী ফেব্রুৱারী ৩দগী ৭ ফাওবনা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং অমদি ফেব্রুৱারী ১০ দগী ১৪ ফাওবনা ফুদ প্রোসেসিংগী ট্রেনিং তৌগনি। য়াওনিংবশিংনা ওফিসতা লাক্লগা তান্নবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সর্স্বতী পূজাগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): সর্স্বতী পূজানা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি হায়না ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্ষা সমিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস ঐচ সনাতননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হয়েং ফাইরেনগী ৫নি পানবা শগোলশেন নুমীৎ অসিদা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লগবগুম লমদম অসিদসু সর্স্বতী পূজা থৌরম তৌনগদৌরি। থৌরম অসিনা মীয়ামদা হরাও নুংঙাইবা, ঈং-তপ্পা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল পুরকপা ওইরসনু। মহৈরোয়শিংগী ৱাখল-লৌশিং চাউখৎপসু ওইরসনু হায়রি।

## ভেটিরিনরি সব-সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পাঙ্গে মনিং লৈকায়দা ঙসি ভেটিরিনরি সব-সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে হায়না ভেটিরিনরি সব-সেন্টর কম্মিটি, পাঙ্গেগী প্রসিদেন্ট এম ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা সিনিয়র সিটিজন সোসাইটি, খুন্দ্রাকপমগী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্র, ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্বর কোঞ্জেংবম ইবেমচা, কিষান মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এস ঐচ কলা, সোসল ৱার্কর এস ঐচ নন্দো অমদি এস বিনানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। পাঙ্গে মনিং লৈকায়দা হাংদোক্লিবা ভেটিরিনরি সব-সেন্টর অসিদা ডা. এন ইবোমচা অমদি ডা. এ বিমোলবু ভেটিরিনরি ওফিসর ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে। ডা. এন ইবোমচানা মতম চানা শা-ষন হিদাক কাপথোকপনা লায়না-তীন্না কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফম কয়া থমখি। প্রোগ্রাম অসি ভেটিরিনরি সব-সেন্টর কম্মিটি, পাঙ্গে মনিং লৈকায়না স্পোন্সর তৌবনি হায়রি।

## কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী অহাংবা পোষ্টশিংগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি। ফমশিং অদুগী মনুংদা একাউন্টেন্ট, কম্প্যুটর ওপরেটর, ষ্টেনোগ্রাফর, ওফিস এসিষ্টেন্ট, পিওন য়াওরি হায়নসু মখা তারি।

# তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল দিমান্দ তৌরদুনা ফেব্রুৱারী ১দগী খোঙজংশিং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরে : অমক্টা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল দিমান্দ তৌরদুনা লাক্কদৌরিবা ফেব্রুৱারী ১দগী খোঙজংশিং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়না ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (অমক্টা)গী জোইন্ট সেক্রেটরি এস জানেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোলেজ ওজাশিংগী ওইবা বোদি অমা ওইরিবা অমক্টানা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী মার্চ মোবিলাইজেসন চত্থনবা থৌরাং তৌরে। হান্না চত্থরম্বদগী সস্পেন্দ তৌরুবনি। মসিগী মতুংদা দেম্মক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চত্থগনি। চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা কোলেজ ওজাশিংগী তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রবদি খোঙজংশিং অসি চত্থনবা শেম-শারে। থা অসিগী ১৬তা অমক্টাগী মায়কৈদগী রিমাইন্দর অমা লৈঙাক্তা পীশিনখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা থবক পায়খৎলকপা উদ্রি। তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল অসি ষ্টেট কেবিনেটনা ইন-প্রিন্সিপল ওইনা য়ারে হায়না কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৯দা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীটিং লোইরবা তুংদা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমক্টাগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৮ দসু তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল অমদি পোইন্ট কয়া য়াওবা দিমান্দশিং থমদুনা মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রে। কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী অমদি সেপ্টেম্বর থাদসু রিমাইন্দর মথং-মথং পীশিনবা লৈখ্রবনি। অনীশুবা রিমাইন্দর পীশিনখিবা অদুদা কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ফাওবদা দিমান্দ অসি পীবীয়ু হায়না থমখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা কুমজা ২০১৯ দা লৈঙাক্না অমক্টাগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানবা লৈখ্রে। পোজিটিভ রেস্পোন্স কয়া তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল চৎনহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকখিবা লৈখ্রবনি। থাজবা পীরকখিবশিং অসি য়েংলগা অমক্টানা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা লেপ্লম্বা কয়া অদু হন্দোক্তুনা লাকখিবনি। অমক্টানা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লি। মতম অদুদা ষ্টেট অসিদা ঈরাং কয়া লৈখিবনা মতম খরা পন্থদুনা লাকখিবনি। অমক্টাগী মায়কৈদগী খোঙজং কয়া চঙশিনগদবা অদু চঙশিনদনা লাকখ্রবনি। অদুবু লৈঙাক্না চপ চাবা থবক লৌখৎলক্তবনা মখা তাবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা লেপ্লকপনি।

লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী কোলেজগী ওজাশিংদা তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল পীনবা চপ চাবা ফীরেপ অমত্তা লৌদনা লৈরি। হায়দোকখিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লাক্লি। মতম শাংনা তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোরক্তবা অমদি লৈঙাক্না থমখিবা থাজবা কয়া অদু থবক ওইনা পায়খৎলক্তবনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী মার্চ মোবিলাইজেসন লোঞ্চ তৌনবা অমক্টানা লেপ্পরকপনি। থা অসিগী মনুংদা তরেৎশুবা যু জি সী পে স্কেল ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবগীদমক শেম-শারে। খোঙজং অসিগীদমক কোলেজ য়ুনিটশিংদা শেম-শানবা খঙহনখ্রে। থা অসিগী ৩১ দা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিংসু কৌদুনা কুপ্পা খন্ন-নৈনগনি। অমক্টাগী মতম শাংনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দশিং অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

# কোলেজ তল্লিবী মহৈরোয় ৱাশিমাবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা হকচিন্না লৌই : পি এস ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজদা তল্লিবী মহৈরোয় ৱাশিমাবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা থৌওং অসি পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও), মণিপুরনা হকচিন্না লৌই হায়না পি এস ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ইশাক সাহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙরাং ইরোং চেসাবা কাংজৈবুং লম্পাক ময়াদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজদা তল্লিবী তুলিহল ময়াই লৈকায়দগী মহৈরোয় ৱাশিমাবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয় নুপী কয়াবু মফম মরাং খঙদনা মীহাৎ থিনা হাৎলকপা অমদি নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নববু তেমশিংনবা হায়বসি হকচিন্না লৌদবা ঙমদে। লৈঙাক মপু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনসু অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা নুপী ওইবী কয়াগী ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনরক্লিবা অমদি মীহাৎ থিনা হাৎতোরক্লিবা কয়া অসি থিংনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

মসি থেংনবা ঙমগদবা মতিক ময়াই লৈবা লো অমা শেমদুনা থোকহন্নিংদবা অমদি অকি-তুজুংবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপীয়ু। অসিগুম্বা অখন্নবা খোঙথাংশিং অসি মতম চানা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎহৌদবা তারবদি লমদম অসিদা মচা নিংঙোল পোকপী মমা-মপা ওইবা কয়াগী মীকপ মীরাওখোল অমদি তেংথা খোঞ্জেলনা খুন্নাই অসিবু অকি-তুজুংবা পোকহল্লক্লগনি। লমদম অসিদা অসিগুম্বা অকি-তুজুংবা পোকহল্লক্লিবা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা অচেৎপা ফীরেপকা লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মতিং লৈনা থবক লৌখৎতুনা মীহাৎ থিনা হাৎখ্রবী মহৈরোয় ৱাশিমাগী অশেংবা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু। মীহাৎপা অদু মরালগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু। চীফ মিনিষ্টর অমদি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা পূক্নিং চিংশিনবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপীয়ু। মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা মীশি অসিগীদমক অচুম্বা লংলা অমদি মরাল লৈবা মীওইশিং পুথোক্লবা হোৎনরকপদা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক পি এস ওনা থৱায় হকচাং য়াওনা সপোর্ট তৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর এসোসিএসনগী খোঙজং সপোর্ট তৌই : নেফিস

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না চথরিবা খোঙজং সপোর্ট তৌই হায়না নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস)কী মেম্বর চিংলেন খুমুকচমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বার্দরশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিদা সোলিদরিটি উৎলি। কন্ট্রেক্টরগী মতমদা এক্সন লৌখৎকদবনি। শিন্মীশিং অসি এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেসনা এক্সপ্লোইট তৌবীবনি। শিন্মীশিংনা খোঙজং চঙশিনবা মতমদা ফাজিনবা কয়া অমসু য়াওখ্রে। এফ সী আইগী প্রাইভেট কন্ট্রেক্টর অসিনা চথরিবা থৌওংগী মায়োক্তা শিন্মীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লিবনি। শিন্মীশিং অসি হৌখিবা দিসেম্বর থাদা ফাজিল্লুরে। শিন্মীশিং থাদোরক্লবসু থবক ফংদবনা ইমুং-মনুং থাক্লুবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। এফ সী আইগী শিন্মীশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ৱারিবা কয়া অসিদা নেফিসনা শরুক য়ারি। কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। শিন্মীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াদসু নেফিসনা সপোর্ট তৌগনি। সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না চঙশিল্লিবা খোঙজং কয়া অসিদা নেফিসকী মায়কৈদগী সোলিদরিটি উৎলি। ষ্টেট লৈঙাক অমদি এফ সী আই ওথোরিটিগী মায়কৈদগী শিন্মীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি উবীদুনা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এম এস এফকী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল টর্ম ২০২০-২১গী থৌ পুগদবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল টর্ম ২০২০-২১গী থৌ পুগদবশিং লাউথোক্লে হায়না ইলেক্সন কম্মিটি ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১ এম এস এফকী রিটর্নিং ওফিসর লকি কোন্সমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম এস এফকী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১গী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা এম দি সজাদ ভুয়ামযুম, ভাইস প্রসিদেন্টতা খাঙেম্বম বিদ্যাসাগর, মাইবম জুলেশ, জেনরেল সেক্রেটরিদা হিজম রোশন, ওদিটর জেনরেলদা ফুন্দ্রেমযুম সালিৱান, জোইন্ট সেক্রেটরিদা য়ুম্নাম জেমস, সনাবম থোইথোইবা, প্রশান্তা ফাইরেম্বম, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা নিঙোম্বম প্রেম, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা চবুংবম সুনিলকান্তা, খুমন্থেম মোতিলাল, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা মাইবম শিতলজিৎ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা অয়েকপম জিম্বা, ওইনাম প্রেমদাস, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা খুমন্থেম সুন্দর, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা নোংয়াইময়ুম ৱারিশ অক্রাম, এক্সটর্নেল এফেয়রস সেক্রেটরিদা মককময়ুম দৱদ খান, এসিষ্টেন্ট এক্সটর্নেল এফেয়রস সেক্রেটরিদা তেকচম রোজিৎ, গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা ওইনাম রবি, এসিষ্টেন্ট গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা লক্ষ্মী নিংথৌজম, ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরিদা মাইবম রোশিনি, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরিদা মককময়ুম অঞ্জুম অরা গুলিষ্টাননি।

এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল মেম্বরশিংদি, খুমুকচম রাজু, সোরোখাইবম রোহিট, মোইরাংথেম নেহা, ধনমঞ্জুরি য়াংলেম, দাইনা তোংব্রম অমদি এন বোবিচান্দনি। ওফিস বিয়ররশিং অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল মেম্বরশিং অসি অন-কন্টেষ্ট ওইনা খনবনি হায়নসু রিটর্নিং ওফিসর ইলেক্সন কম্মিটি ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১ মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন লকি কোন্সমনা থোকপা রিজল্ট অদুদা মখা তানা পল্লি।

# ষ্টেটকী সর্ভিস রুল থুগায়দুনা চৎলবদি লোগী মতেং লৌগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেটকী সর্ভিস রুল থুগায়দুনা চৎলবদি লোগী মতেং লৌগনি। মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক লৈঙাক্না পুগদবনি হায়না ওল মণিপুর হিন্দী গ্রেজ্যুএট টিচর এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ লক্ষ্মীবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট দিসিজন অমগী মতুংইন্না আর এম এস এ অমদি এস এস এগী ওজাশিংবু ষ্টেট লৈঙাক্কী রেগ্যুলর ইমপ্লোয়ী অমা ওইনা লৌশিনগনি হায়বা ৱারেপ অসি এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকই। মসিগা লোয়ননা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা ৱাফম কয়াসু থম্লিংই। কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা ঐখোয় হান্ননা টেন্টেটিভ সিনিয়রিটি লিষ্ট মনুং চন্দুনা লৈখ্রবনি। পুম্নমক অসিগী ৱাংমদা ইনৌ নৌনা আর এম এস এ অমদি এস এস এগী ওজাশিং নৌনা ষ্টেটতা এবজোব তৌরকপা মতমদা ঐখোয়গী হান্নগী সিনিয়রিটি লিষ্ট করিগুম্বা মখল অমত্তদা অকায়বা পীবীগনু। আর এম এস এ অমদি এস এস এগী ওজাশিংবু ষ্টেট লৈঙাক্না তশেং-তশেংনা এবজোব তৌবা নুমীৎতগী মখোয়গী সিনিয়রিটি লৈঙাক অসিগী সর্ভিস রুলগী কাঙলোন ঙাক্না চৎপা কৌগনি। করিগুম্বা লৈঙাক্না ৱাফম অসিগী ৱাংমদা ওজাশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদনবা থৌরাং তৌরক্লবা অমদি ষ্টেটকী সর্ভিস রুল থুগায়দুনা চৎলবদি লোগী মতেং লৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# অঙোম লৈকায়দগী থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দ ফাওবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎলগনি : ফোরম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): ইরমদমগী লৈহাওদগী ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সশিং মরু ফংনা গো বেক হায়না তানখিবগী তানফম য়ৌরক্লে। থা অসিগী ৩১গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ৱাল ক্লব, অঙোম লৈকায়দগী হৌরগা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দ ফাওবা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচৎ অমদি মীফম অমা লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্ন রগা শীনগদৌরি হায়না ইন্দিজিনস ৱিমেন ফোরম মণিপুরগী কনভিনর দল্লিয়ু প্রভানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিজিনস ৱিমেন ফোরম মণিপুরনা লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা নুপী খুন্নাইগী মফমদা থম্লিংবা ৱাফমশিংদি, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট থমদুনা ইন্দিয়ন আর্মি, এ আর, বি এস এফ, সী আর পি এফনচিংবশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা ওৎ-নৈবা চত্থরক্লি। নুপী ওইবীশিংগী ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনবা কয়াসু চত্থদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৭৪ দা রোজ নিংশেনগী থৌদোক, কুমজা ১৯৮৭ দা ওইনামদা ওপরেসন থা ৩ চত্থখিবদা থোকখিবা ওৎ-নৈবা কয়া, কুমজা ২০০৪গী থাংজম মনোরমাবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী থৌদোকনচিংবা কয়া ঐখোয় পুম্নমক্না কাউফদে। মশিং য়াম্লবা আর্মদ ফোর্সশিং লমদম অসিদা থাজিল্লক্তুনা নুপী খুন্নাই অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী মথক্তা চত্থরকপা ক্রাইম কয়া ঙসি ফাওবা চৈরাক পীখিবা অমদি ফংখিবা ইরে লৈত্রি।

মীচম-মীয়ামদা চত্থবা হেন্দোরক্তুনা থা অসিগী ১৯দা মণিপুর পুলিসকী আই পি এস ওফিসর অমদা খুদেংথাবীগী ১২ শুবা এ আরনা চত্থখিবা থৌদোক ঐখোয়না তুমীন্না লৈশিনবা য়াবা মতম নত্তে। ইরমদমগী লৈহাওদগী ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্স মরু ফংনা গো বেক হায়না তানখিবগী তানফম য়ৌরক্লে। থা অসিগী ৩১দা ৱাল ক্লব, অঙোম লৈকায়দগী থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দ ফাওবা অচৌবা খোঙচৎ অমা সী এস ওশিংগা খুৎশম্ননা শীনগদৌরি। খোঙচৎ অমদি মীফম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল ২০২০ চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২দগী ৬ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না নেসনল সর্ভিস স্কিম (এন এস এস) সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. কে শিতলজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহীসিগী ফেব্রুৱারী ৩গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা শরুক য়াদুনা নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল ২০২০ অসি হৌদোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিগীদমক শেম-শাবগী থবক পায়খৎলে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# বিরাজ প্রাভানা মশাগী অনাবা অমদগী ত্রিপুরাদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী ফাউন্দিং মেম্বর ৯গী মনুংদা অমা ওইখিবী বিরাজ প্রাভানা মশাগী অনাবা অমদগী থা অসিগী ২১দা চন্দ্রপুর অগরতালা, ত্রিপুরাদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বিরাজ প্রাভানা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী ৱাংমা মরুওইনা ত্রিপুরাদা মচোই-মচোই খুন্দাদুনা লৈখ্রবা মণিপুরীশিংবু পুনশিন্দুনা ঐখোয়গী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মণিপুরী লোল, কলচর ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। চাউখৎনবসু য়াম্না কন্না হোৎনখি। নুপী অমা ওইজরবসু মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরা লিংখৎপদা মাঙজিল থাবী অমা ওইখি। মখোয়গী হোৎনজমলগী মপালনা ত্রিপুরাদা মণিপুরী লোল, কলচর অমদি মণিপুরীশিংনা মমাংঙৈদগী লৈজরকপা চৎনবী কয়া ঙাক্তুনা ঙসি ফাওবা থম্বা ঙল্লিবনি হায়বা হায়মনবা ওইরোই। বিরাজ প্রাভানা লৈখিদবা অসি মণিপুরী লোল, সাহিত্য অমদি কলচরগী অচঙবা থৌমী অমা মাঙজবতা নত্তনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবী অসিগীদমক ঙসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর লাইশ্রম দবলোনা প্রিসাইদ তৌদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙবগী অথুবা মীফম অমা ফমখিবা অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী থৌ পুবশিং অমদি মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। ত্রিপুরাগী চন্দ্রপুর অগরতালাদা থা অসিগী ২১ দা লৈখিদ্রবী বিরাজ প্রাভা মণিপুরীশিংবু পুনশিন্দুনা ঐখোয়গী লোল, চৎনবী অমসুং কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বী অমনি। মহাক্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# সঙ্গীতরত্ন মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবী ইবেমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী কুমজা ২০০৫দা পাঙথোকখিবা ৭০শুবা অমদি কুমজা ২০১০দা পাঙথোকখিবা ৭৫শুবা চহীগী মীফমদা সঙ্গীতরত্ন অমদি কমলাসনা রাজকুমারী নীংশিং শেলগী মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবী লমদমসিগী খোংজোম পর্ব্বগী শক্লাইরবী গুরু নামৈরাকপম ওংবী ইবেমনীনা মশাগী অনাবা অমদগী থা অসিগী ২৪দা ক্বাকৈথেল সোইবম লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না পরিষদ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইবেমনী অঙাং ওইরিঙৈদগী জগোয়, ঈশৈ, লীলা, দ্রামাদা থৱায় য়াওরকখি। থৱায় য়াওরকপগী মহৈনা মোইরাং থোইবী লীলাদা থোইবী শাখি। খোংজোম পর্ব্বগী লমদা মশাগী চহী ১৩ শুরকপদা লৈবাক্লা শকখঙনরবা মপাবুং খোংজোম পর্ব্বগী গুরু খুমন্থেম চাওবা অমদি গুরু কয়াদগী তমদুনা লম অসিদা অচৌবা ফিদা কনবা ঙমখি। কুমজা ১৯৬১-৬২দা ওল ইন্দিয়া রেদিও গুৱাহাতি অমদি কুমজা ১৯৬৩দা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী এপ্রুভ আর্টিষ্ট ওইখি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই ওইনা শক্লাইরবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারী, মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীনচিংবা কয়া শৈশক অসিদা পুশিন্দুনা থল্লম্বা কাওবা য়ারোই।

শৈশক অসিবু চাউখৎনবা হোৎনবগী পান্দমদা মশাগী ওইবা খোংজোম পর্ব্বগী স্কুল অমা লিংখৎতুনা মণিপুর খক্তা নত্তনা অসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশতগী লাকপা মহৈরোয় কয়া তাকপী তন্বীদুনা শন্দোক্লম্বা পনবা য়াই। মণিপুরদা অহানবা ওইনা নুপী ঙাক্তগী ওইবা হোলি দল অমা লিংখৎতুনা গোবিন্দগী মন্দিরদা থৌগল তৌখিবা শীংথাবা য়াই। মণিপুরগী ৱাংমদসু ঈশৈ কয়া শক্লুরে। খোংজোম পর্ব্বগী শৈশকপী অসিনা ফংখিবা মনাশিংগী মনুংদা ককচিং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনগী গোল্ড মেদল (১৯৪২), সনা কোনুংগী জয় পত্র (১৯৫৪), দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর ন্যু দিল্লিগী সিনিয়র ফেল্লোশিপ এৱার্দ (১৯৯৩), মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (১৯৯৮), ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী আউটষ্টেন্দিং এৱার্দ (১৯৯৮), ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (২০০৪), মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী সঙ্গীতরত্ন (২০০৫), মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী কমলাসনা রাজকুমারী নীংশিং শেলগী মনা (২০১০), পদ্মশ্রী এৱার্দ (২০১২), কলচরেল ফোরম মণিপুরগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ (২০১৬), লৈমরোল খোজৈকোলগী চোংথাম বিমোলাবসন্তা এৱার্দ (২০১৮) নচিংবনি।

# প্রিন্সিপালস মীট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচ এন এস): য়ু জি সী- হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেন্টর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা চহীসিগী মার্চ ৭তা নোংমগী ওইবা প্রিন্সিপালস মীট পাঙথোক্লগনি হায়না য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী, এম য়ুগী দিরেক্টর প্রোফেসর আই তোম্বনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

নোটিশ অদুনা হায়, নোংমগী ওইবা প্রিন্সিপালস মীট অসিদা টিচিং অমদি রিছার্স এক্টিভিটিজ ইম্প্রুভ তৌনবা হীরম কয়াদা খন্নগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম য়ু জি সী ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। নৎত্রগা এম য়ুদা লৈবা য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী ওফিসতগীসু ফংগনি। পার্টিসিপেন্টশিংনা রেজিষ্ট্রেসন ফি লুপা ৫০০ পীগদবনি। শেল ওইনা নৎত্রগা দিমান্দ দ্রাফ্ট ওইনা দিরেক্টর য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী, এম য়ুদা ককপা য়াগনি। ফোর্ম সবমিসনগী মতমদা শীন্নগদবনি। পার্টিসিপেন্টশিং খনবগী বেসিস অসি অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীগনি। পার্টিসিপেন্ট ৪০ দগী হেন্না খল্লোই। পার্টিসিপেন্টশিংগী দি এনচিংবগী প্রোভিজন লৈতে হায়নসু নোটিশ অদুনা মখা তারি।





